# ইস্লামাবাদকী সুইসাইদ ব্লাষ্টতা চেন্নবশিং অমদি মতেং পাঙখিবশিংগী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী খাইবর পাক্তুনখুৱা (কেপি প্রোভিন্স) তা সুইসাইদ বোম্মরদা মতেং পাঙখিবা মীওই অনী ওথোরিটিশিংনা মশক খঙবা ঙল্লে হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্সশিং অদুগী মতুং ইন্না মীওই অনী অদুনা সুইসাইদ বোম্মর অদুনা রাৱল পিন্দি য়ৌশিনবদা অমসুং এটেক অদু পাঙথোক্লুবা ইস্লামাবাদ তম্না চঙশিনবদা মতেং পাঙখি হায়রি।

ইনভেষ্টিগেসন টিমদা য়াওবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা সুইসাইদ বোম্মর অদুবু মতেং পাঙখিবসি মীওই অনীনি। অমনা মহাকপু দিসেম্বর ২৩ দা ইস্লামাবাদতা পুখি অমসুং রাৱল পিন্দিদা লৈখিবা অতোপ্পা অদুনা মঙোন্দা সুইসাইদ জেকেট শিন্নখি। থিজিনবদা ফঙলকখিবা অতৈ অকুপ্পশিংদগী সুইসাইদ বোম্মর অদু কেপিগী কারক কৌবা মফমদগী মার্দান সিটিদা চৎখি অমসুং মহাক মফম অদুদা মহাক্কী লৈফম চাফম শিল লাংখিবা মীওই অমগা লোয়ননা অহিং লেনখি হায়বসিসু খঙবা ঙমখি।



মথংগী অয়ুক্তা বোম্মর অদু কেপিগী স্বাবি সিটিদা চৎখি। মফমদুদগী মহাক গাড়ী অমা তোংলগা রাৱল পিন্দিগী পিরৱাদাই বস ষ্টেসন তম্না চৎখি। অনীশুবা মতেং পাঙবা মীওই অদুনা বোম্মর অদুবু পিরৱাদাইদা ওকখি হায়রি।

ইনভেষ্টিগেসন অদুগী অকুপ্পশিং খঙবা অতোপ্পা ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা বোম্মর অদুগা লোয়ননা মহাকপু মতেং পাঙখিবা কেপিদগী মীওই অদু দিটোনেট তৌবা য়ারবা সুইসাইদ জেকেট অমা য়াওরগা চৎখিব্রা নত্ত্রগা সুইসাইদ জেকেট অদু মতেং পাঙবা মীওই অদুনা রাৱল পিন্দিদা শিন্নব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

সুইসাইদ জেকেট অমা পুদুনা চৎপা হায়বসি খুদোংথীনিংঙাই ওইবনা রাৱল পিন্দিগী মীওই অদু বোম্মর অদুদা জেকেট অদু শিন্নখিবা মীওই ওইরমগনি হায়না থাজনৈ।

ছোর্স অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি বোম্মর অদুনা পিরৱাদাই য়ৌরবা মতুংদা কোল তৌদুনা কনাগুম্বা অমগসু ৱারী শানখি। পিরৱাদাই য়ৌরবা মতুংদা সুইসাইদ বোম্মর অদুগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবা মীওই অদুনা মহাক্কী সুইসাইদ জেকেট এরেঞ্জ তৌখিবা মীওই অদুনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ। হকচাংগী মথক থংবা শরুক অমসুং খুৎশা মরি য়াওনা ক্রাইম থোকখিবা মফমদগী সুইসাইদ বোম্মর অদুগী হকচাংগী শরুকশিং রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফিঙ্গর প্রিন্টশিংগী ফোরেন্সিক টেষ্টশিং পাঙথোক্লুবা মতুংদা মহাক্কী মশক খঙদোকপা ঙমখি।

ছোর্স অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ক্রাইম মফম অদুদা মোবাইল সিম অমসু থেংনখি। মদুগী রেজিষ্ট্রেসনগী অকুপ্পশিং অদু বোম্মর অদুগী ফিঙ্গর প্রিন্টশিংগা চান্নখি। সুইসাইদ বোম্মর অদু কেপিগী কুরম দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মীওইনি। মহাক সকিব-উদ-দিন (২২) কৌই হায়রি।

ইস্লামাবাদতা লৈবা রেদ জোন অমসুং পার্লিয়ামেন্টগী ভিদিও অমা মশাগী মোবাইল ফোন শীজিন্নরগা শেমখিবা অমসুং টি টি পি লাক্লে হায়না লাউখিবা অতোপ্পা মীওই অমসু মশক খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা ফারে হায়নসু ছোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীওই অদু টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) টেরর আউটফিটকা শম্নে হায়বসি ইন্টলিজেন্স ছোর্সশিংনা কনফার্ম তৌখি।

# স্পিকর খনবা ঙমদনা য়ুএসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী মীফম এদজোর্ন তৌখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

পুৱারীদা রেকোর্দ ওইহৌরগদবা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাবা ঙমদবগী থৌদোক অমদা মেম্বরশিংনা লৱার চেম্বরগী স্পিকর অমা খনবা ঙমদবদগী য়ুএসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী মীফম এদজের্ন তৌখ্রে।



হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হাউস রিপব্লিকান কাঙবু অমনা কালির্ফোনিয়াগী রিপব্লিকান কংগ্রেসমেন কেবিন মেকার্থিগী মায়োক্তা ভোট পীবদগী মহাক ফম অসি পায়নবগী ভোট মতিক চানা ফঙবা ঙমখিদে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি। হাউসকী মেম্বরশিংনা য়ুমশকৈশগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা এদজোর্ন তৌবগী ৱাফম য়ানখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মরিশুবা ভোট অমসু পাঙথোক্লগনি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না মেকার্থিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা ফেল্লো রিপব্লিকানশিংগা নিগোসিএসন চৎখি। পোলিটিকেল দ্রামা অসি কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ৮ দা মিদ টার্ম ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মতুং থা অনীরোম কান্নরগা লাক্লিবনি।

মীফম অদুদা রিপব্লিকানশিংনা মখা তানা হাউস পায়বগা লোয়ননা দিমোক্রেটশিংনা সিনেটতা মখা তানা মেজোরিটি ওইখি। অহানবা বেলোটতা য়ুএস হাউস স্পিকর খনবা ঙমখিদবগী থৌদোক অসি চহী চা অমগী মনুংদা অহানবনি। হাউসনা মেজোরিটি ভোটশিংগা লোয়ননা স্পিকর অমা খন্দ্রিবা ফাওবা ভোট মখা চথখিগনি।

লো মেক্কর অমত্তা চিংখদনা ভোট থাদনবা মতমদা কেন্দিদেট অমনা স্পিকর ওইনবগীদমক তঙাই ফদনা ভোট ২১৮ ফংগদবনি। স্পিকর খনবগী ভোটিংগী রাউন্দ অহুমদা হাউসকী দিমোক্রেট পুন্নমক্তা ন্যু য়োর্ককী কংগ্রেসমেন হাকিম জে ফ্রিসতা ভোট পীখিবগা লোয়ননা রুল্লিং পার্টি মাইনোরিটি ওইখিবনি। এটলান্টিক্কী আর্টিকল রাইটর অমা ওইরিবা জেমেলি হিলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা থাগৎখিবা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ঙসি অমেরিকন পোলিটিক্সতা ঐখোয়না উরিবসি নিংথিনা মথৌ তৌদ্রবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অমদগী লাকপশিং অদুনি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটেরি কেরিন জিন-পেরিনা পাউমীশিংদা হায়খি, দিলাৱ্যেরদগী টার্ম তরুক্লক সিনেটর ওইনা থাগৎলকখ্রবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অসিগুম্বা প্রোসেস অসিদা করি তৌগদগে হায়বদু খঞ্জগদবনি।

# লৈবাক মঙা য়ুএনএসসিগী অনৌবা ইলেক্টেদ মেম্বরশিং ওইনা মথৌদাংশিং পাঙথোকপা হৌখ্রে

য়ুএন, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

লৈবাক মঙা ইক্কাদোর, জপান, মালটা, মুজাম্বিক অমসুং স্বিটজরলেন্দনা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী নন-পার্মিনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা মখোয়গী মথৌদাংশিং পাঙথোকপা হৌখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মখোয়গী চহী অনীগী ওইবা টার্ম ওফিসল ওইনা জনুৱারী ১ দগী হৌখিবা ওইরবসু ন্যু ইয়রগী হোলিদে ব্রেক মতুংদা কুমজা ২০২৩ গী সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অহানবা বিজিনেস ডে অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎ জনুৱারী ৩ নি। লৈবাক মঙাগী রেস্পোন্সি-বিলিটিশিং হৌখিবগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফ্লেগ ইন্সটোলেসনগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু কুমজা ২০১৮ দা কাজাখষ্টাননা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা কাজাখষ্টানগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব অকান রাকমেটুলিননা অনৌবা কাউন্সিল মেম্বর মঙানা মালেমগী পিছ অমসুং সেক্যুরিটিগী মরু ওইবা ইস্যুশিংদা পুন্নমক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

রাকমেটুলিননা হায়খি, মদুদি অনৌবা চহী হৌবগা লোয়ননা মালেমগী ফিভম অসি মখা তানা শীংনবা অমদি ক্রাইসিস কয়া উখিগনি হায়বসি ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়না হৌজিক থোক্লিবা কনফ্লিক্টশিং মীওইবনা থেংনরিবা অৱা অনাশিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি পেন্দামিক্কী ফত্ত্রবা ইম্পেকশিংনচিংবা কয়া মখা তানা মায়োক্লখিগদৌরি।

ইস্যুশিং অসিবু মায়োক্লবদা য়ুএনগী মেম্বর ষ্টেট পুন্নমক্কী মরক্তা অমগা অমগা কো ওপরেসন পীনবা অমদি ৱাখল তান্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কাউন্সিলগী অনৌবা মেম্বর মঙাগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা সেক্যুরিটি কাউন্সিল চেম্বরগী মপানদা মখোয়গী লৈবাকশিংগী ফ্লেগশিং ইন্সটোল তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অতেনবা স্পিচশিং পীখি।

লৈবাক মঙা অসিনা ইন্দিয়া, আয়রলেন্দ, কেনিয়া, মেক্সিকো অমসুং নোর্ৱেগী মহুৎ শিল্লিবনি। মেম্বর ১৫ গী সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পার্মেনেন্ট মেম্বর মঙা লৈ। মখোয় অদুদি য়ুএস, য়ুকে, ফ্রান্স, রসিয়া অমসুং চাইনানি।

নন-পার্মেনেন্ট মেম্বর তরানা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিনা চহী অনীগী টার্মগীদমক্তা খল্লি। নন-পার্মেনেন্ট মেম্বর মঙা চহী খুদিংগী শিন্দোকই। অলবেনিয়া, ব্রাজিল, গাবোন, ঘানা অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস অসি নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা লৈরকপা চহী অনীগী টার্মদা চহী অমা মপুং ফারক্লবনি।

# টেররিষ্টশিংনা পাকিষ্টানগী কাউন্টর-টেরর ওফিসর অনী কাপ্পুনা হাৎখ্রে

লাহোর, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা খানেৱাল দিষ্ট্রিক্তা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সি টি দি)গী ওফিসর অনী কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পঞ্জাব পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, মদুদি লাহোরদগী কিমি ৩৭৫ রোম লাপ্পা খানেৱালদা রেষ্টোরেন্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা দিপ্যুটি দিরেক্তর নাবিদ সাদিক অমসুং ইন্সপেক্তর নাসির অবাসতা নোংমৈনা কাপখি। ওফিসরশিং অসিনা মুল্টানদা লৈবা মখোয়গী ওফিস তম্না চৎপদা টেররিষ্টশিং অদুনা মখোয়বু লম্মখাংদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদু মখোয়না খানেৱালগী রেষ্টোরেন্ট অদুদা লঞ্চকীদমক পল্লিঙৈদা থোকখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ওফিসর অনী অদু রেষ্টোরেন্ট অদুমক্তদা শিখি অমদি টেররিষ্টশিং অদু বাইক অমদা মফম অদুদগী চেনখি। টেররিষ্টশিং অদু ফাননবা চথরিবা ওপরেসন অমা মোনিটর তৌননবা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর চৌধুরি পর্বেস ইলাহিনা ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসতা ওর্দর তৌখ্রে।

মহাক্না পঞ্জাব পুলিসতা টেররিষ্টশিংগী অনৌবা থবক থৌওংশিং থেংননবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবসু ইন্সট্রক্সন পীখি। পাকিষ্টানি টালিবান হায়নসু খঙনবা অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) না হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা গভর্ণমেন্টগা য়ানখিবা মতম কক্তবা সিজ ফায়র লোইশিল্লে হায়না লাউথোকখিবদগী পাকিষ্টানদা টেররিজমগী থবক থৌরমশিং খঙহেন হেনগৎলকখি।

মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা মসিগী ফাইটরশিংদা লৈবাক শীন থুংনা এটেকশিং চথনবা ওর্দর তৌখ্রে। হৌখিবা থাদা পাকিষ্টান আর্মিগী কম্মান্দোশিংনা এন্টি-টেররিজম পুলিস ওফিসর অসি কন্ননবা চথখিবা ওপরেসন অমদা টালিবান মিলিটেন্ট ২৫ হাৎখি। এন্টি-টেররিজম পুলিস ওফিসরশিং অদু খাইবর পাক্তুনখুৱাগী বানুদা লৈবা সি আই দি কম্পাউন্দ মনুংদা হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন এ সিনা অফঘানিষ্টানগী টালিবান রুল্লরশিংদা মখোয়গী মমিং হকথেংননা পন্দবীদা পাকিষ্টানি টেররিষ্ট গ্রুপশিং মখোয়গী লমদা চঙজফম পীদনবা অমদি মখোয়বু য়োকখৎপগী থবক লেপ্পনবা ময়েক থেংনা খঙহনখিবনি।

# চেক রিপব্লিক্কী পোলট্রি ফার্ম অমদা বার্থ ফ্লু শন্দোরকপদগী য়েন ২২০,০০০ হাৎখ্রে

প্রাগ, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

চেক রিপব্লিক্কী পোলট্রি ফার্ম অমদা বার্থ ফ্লু লায়না শন্দোরকপদগী য়েন ২২০,০০০ ফাওবা হাৎখ্রে হায়না ষ্টেট ভেটেরিনরি এদমিনিষ্ট্রেসন (এস ভি এস) না ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এভিয়ান ইনফ্লুএঞ্জা ঐচ৫ এন১ ভাইরস অসি হৌখিবা দিসেম্বর ৩০ দা লৈবাক অদুগী ৱেষ্টর্ন পলজন রিজনগী ব্রোদনাথটিজৌ ভিলেজদা থেংনখি। ভিলেজ অদুগী ফার্মগী হোল অহুমদা য়েন ৭৫০,০০০ থল্লম্বনি।

অহানবদা ইনফেক্সন থেংনরবা হোলশিং অদুগী মনুংদগী অমদা লৈরিবা য়েন ১২০,০০০ হাৎননবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখা তাবা টেষ্টশিং পাঙথোকপদা হোল অদুমক্তদা অহেনবা ইনফেক্সনশিং কনফার্ম তৌখি। ফার্ম অদুগী য়েরুম মিলিয়ন কয়াসু মাঙহল্লগনি হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা এস পি এসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি অতৈ হোল অনীগী টেষ্টশিংগী রিজল্ট হৌজিক ফাওবদা নেগেটিব ওই। হোল অহুমগী মনুংদা হোল অমগী য়েনশিংগী মরক্তা ঐচ৫ এন১ ভাইরস থেংনখিবগা লোয়ননা ফার্ম অদুগী অকোয়বদা রেষ্ট্রিক্টেদ জোনশিং শেমদুনা ইম্মর্জেন্সিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

চেক ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না লাইচৎ অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা বার্থ ফ্লুগী লাইচৎনি। রিপোর্ট অদুনা চেক-মোরাবিয়ন পোলট্রি য়ুনিয়নগী হেদ গাব্রিয়েলা দালৌলাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অদুগী য়েনবি মিলিয়ন মঙারোমগী মনুংদা শুপ্পগী চাদা ৫ য়ৌদনা হাৎকদবা ওইবনা লাইচৎ অদুগা মরী লৈননা য়েনশিং হাৎপা অদুনা হৌজিক্কী ওইনদি মার্কেটতা য়েরুমগী মমল নত্ত্রগা ক্বান্টিটিদা শোকহনবা তৌরোই। অদুম ওইনমক ভাইরস অদু মখা তানা শন্দোরকপা তারবদি শেল থুমদা হেন্না শোকহল্লকপা য়াই হায়না মহাক্না ৱার্নিং তৌখি।



এস বি এসকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর ১ দগী চেক রিপব্লিক্তা বার্থ ফ্লুগী লাইচৎ মাপন থোকখ্রে। হৌখিবা থাগী অঙনবদা চেক ভেটেরিনিয়নশিংনা লৈবাক অদুগী সাউথ বোহেমিয়ন রিজনগী ফার্ম অমদা লৈবা ঙানু ১৫,০০০ রোম হাত্তোকখি।

লৈবাক অদুদা য়াম্না লৌনগল্লবা বার্থ ফ্লুগী লাইচৎ কনখৎলক্লিবদু লাকশিন্নবগীদমক্তা হৌখিবা দিসেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তা ওথোরিটিশিংনা লৈবাক শীন থুংনা আউটদোর পোলট্রি ফার্মিং বেন তৌখি।

# সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসন্না হোদৈদাদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথখ্রে

সানা, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসন্না রেদ সীগী পোর্ট সিটি হোদৈদাদা দ্রোন ষ্ট্রাইক মঙা চথরকখি হায়না য়েমেনগী হৌথি মিলিসিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে। হৌথি রেবেলশিংনা মখা তাবা অকুপ্পশিং পন্দনা হায়খি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা সিটি অদুগী খা থংবা শরুক্কী মনুং চনবা হেজ দিষ্ট্রিক্তা লৈবা হৌথি মিলিটরি পোজিসনশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেকশিং অদু চথরকখি।

হৌথি মিলিটেন্টশিংগী ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসন অমসুং য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

য়ুএননা ৱাতেমদুনা কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বরদা স্বিদেনগী কেপিটেল ষ্টোক্কহোমদা ট্রুস অমা পুরকখিবদগী হোদৈদাদা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসন্না লূচিংবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিং অমসুং হৌথি মিলিসিয়াগী মরক্তা সিজ ফায়র অমা চৎনদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং সিজ ফায়র অদু চৎনবা লৈনা লৈনা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লুবগী থৌদোকশিং মরক মরক্তা থোকখি। হৌথিশিংনা পোর্ট সিটি অদু কন্ত্রোল তৌরিবনি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং সাউর্দন দিষ্ট্রিক্টশিংদা চঙশিনবা হৌখ্রবনি। য়ুএননা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা নেসনেল ট্রুস কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবর ২ দা কায়খিবা মতুং হৌখিবা থা ২ খরা হেনবসিদা য়েমেনগী লান শোক্লরিবশিংগী মরক্তা কনফ্লিক্ট কনশিল্লকখি।

কুমজা ২০১৪ গী অথিংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা অৱাং থংবা সিটি কয়া পায়শিনবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা কেপিটেল সানাদগী নম্ফুদা ইন্থোকখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি।

# কম্বোদিয়াগী অঙ্কোরদা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট ২৮৭,৪৫৪ লাকখি

নোমপেন, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):


কুমজা ২০২২ দা কম্বোদিয়াগী মমিং চৎলবা অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্কতা ফোরেন টুরিষ্ট ২৮৭,৪৫৪ লাক্তুনা টিকেট য়োনবদগী দোল্লর মিলিয়ন ১১.৫ তানবা ঙমখি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা অঙ্কোর ইন্টরপ্রাইজনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অমসুং স্পোক্সমেন টোপ সোফিক্না হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিনা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মায় পাক্না কন্ত্রোল তৌদুনা অমুক হন্না মপানদগী মী চঙবা মপুং ফানা য়াহনখিবগা লোয়ননা অঙ্কোরদা চঙলকপা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্টশিংগী মশিং লেপ্পনা হেনগৎলকখি। মহাক্না হায়, হৌজিক অঙ্কোরদা নোংমদা ফোরেন ভিজিটর ১,৮০০ তগী ২,০০০ ফাওবা লাক্তুনা কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১ গী পেন্দামি মনুংদা নোংমদা শুপ্পগী টুরিষ্ট ৭০ খক লাকখিবা অদুদগী শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লে।

# রসিয়াগী মুভি হোলশিং য়ুক্রেনদা লান্দাবগী দোক্যুমেন্টরিশিং উৎননবা পুটিননা ওর্দর তৌখ্রে

মোস্কো, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনদা লান্দাবা অমসুং নিও-নাজি আইদিওলোজিগী মায়োক্তা চথরিবা লানদা দেদিকেট তৌবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিং ফেব্রুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা সিনেমা হোলশিংদা কাপহন্নবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী গভর্ণমেন্টদা ওর্দর তৌখ্রে।



ক্রেমলিননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি কলচর মিনিষ্ট্রিনা ওর্দর অদু ফেব্রুৱারী ১ ফাওবগী মনুংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা ট্রুপশিং থাদুনা লান্দাখিবদা মালেম পুন্সা থম্মোয় শোক্লখিবনি। মহাক্না নোংচুপলোমগা নকশিন্নবা পান্সা লৈবাক অদুগী মিলিটরি পাঙ্গল হন্থহনবা অমদি লৈবাক অদুদা নাজিজমগী ইথিল চঙলিবদু লৌথোকপা মথৌ তাই হায়রদুনা রসিয়ন লান্মীশিং য়ুক্রেনদা থাজিনখিবনি।

ক্রেমলিননা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্ট পুটিননা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অদুদা শরুক য়ারিবশিংগী থৌনা লিংজেলদা কথোকপা দোক্যুমেন্টরিশিং পুথোক্কদবা রসিয়াগী ফিল্ম মেক্করশিংবু মতেং পাঙনবা ওর্দর তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, পুটিনগী ওর্দরদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুবু ওফিসল টার্ম ওইনা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অমনি হায়দুনা লাক্লি। পুটিনগী ওর্দর অদুবু থবক্তা ওন্থোক্লুবা হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদা মার্চ ১ ফাওবগী মনুংদা প্রসিদেন্টদা রিপোর্ট তৌরক্লুবা দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুদা খঙহনখ্রে হায়রি।

মোস্কোগী মিলিটরি কেম্পেইন অদু হৌখিবদগী ষ্টেট টেলিভিজন চেন্নেলশিংনা য়ুক্রেনদা লান থেংনরিবা রসিয়ন ট্রুপশিং অদুবু হিরোশিংনি হায়না থাগৎপা প্রোপেগন্দা কনখৎলকখি। রসিয়াদা ইন্দিপেন্দেন্ট মেদিয়া আউটলেটশিং থবক লেপহনখ্রে নত্ত্রগা থিংজিনখ্রে। আউটলেট কয়াদা থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট কয়া লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি।

সেন্ট্রেল হিন্দি দিরেক্তরেট
মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসন
সিভিল সার্ভিসেস হিন্দি কোর্স থ্রু করেস্পোন্দেনস
এদমিসন নোটিস ২০২২-২৩
সিভিল সার্ভিসেস হিন্দি কোর্সতা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি

শেল তিংলোইদবা কোর্স অসি মমালোন ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চন্দবা অমসুং হিন্দিবু সিভিল সার্ভিস একজামিনেসন কম্পলসরি পেপর অমা ওইনা খনবা পাল্লিবা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী কেন্দিদেটশিংগীদমক্লি।

অকুপ্পা ইনফোর্মেসনগীদমক www.chd.education.gov.in দা লোগ ওন তৌবীয়ু।

CBC 21252/12/0003/2223

# এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনা গ্বাদরদা নেট সার্ভিস লৈহন্নবা অমদি মী পুনবদা থল্লিবা অথিংবা লৌথোক্লুবা তকশিনখ্রে

গ্বাদর, জনুৱারী ৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী পোর্ট সিটি গ্বাদরদা ইন্টরনেট সার্ভিসশিং থিংজিনখিববু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেল সাউথ এসিয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা ঙা ফাবগা মরী লৈননা প্রোটেষ্ট কয়া চথরকপদগী ইম্মর্জেন্সি লো চৎনহনখ্রবা মতুংদা ওথোরিটিশিংনা ইন্টরনেট থিংজিনখিবনি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা পরিংনাইনা থাগৎপা ত্বিটশিংদা হায়খি, মদুদি অসুম্না ইন্টরনেট সার্ভিসতা অথিংবা পীবা অসি প্রোব্লেম অমা সোল্ভ তৌবদা মথৌ তাদে অমদি মরম চাদে। মসিনা গ্বাদরগী মীয়ামগী কম্যুনিকেসনদা চাওনা অকায়বা পী। মখোয়বু ঈ-পাউ খঙহন্দবগা লোয়ননা সেফতি অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পব্লিক সেক্যুরিটিগী মিংদা সেক্সন ১৪৪ চৎনহল্লিবসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক হেন্না চথবা য়ানবগী মরম ওইহল্লোইদবনি। মরু ওইনা মসিনা মীয়াম্বু ইংনা চিক্না প্রোটেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৈহন্দে। ইন্টরনেট থিংজিনবা অমদি ইম্মর্জেন্সি লো চৎনহনবা অনীমক অসি ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন, ইংনা চিক্না পুনবা, রাইট টু পর্সনেল সেক্যুরিটি অমসুং ফ্রিদম য়াওনা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমশিং মখা তানা কন্ত্রোল তৌনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক্নি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা বেলোচিষ্টানগী ওথোরিটিশিংদা খুদক্তা ইন্টরনেট সার্ভিসেস রেষ্টোর তৌনবা অমদি মীয়াম পুনবদা অথিংবা থল্লিবদু লৌথোক্লুবা তকশিনখি। নুমিৎ কয়ানি প্রোটেষ্ট কয়া চথরকখিবা মতুংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা ষ্টেটমেন্ট অসি থোক্লকখিবনি।

পোর্ট অসিনা মহৌশাগুম ওপরেট তৌবা হৌখিবা লোয়ননা দুকান ফম্বশিংনা মখোয়গী দুকানশিং অমুক হাংদোক্লখিবগা লোয়ননা গ্বাদরদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনখি।

ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া
ইষ্টর্ন রিজনেল ওফিস, কোলকত্তা

খঙহঞ্জবা

মখল খুদিংমক্কী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং য়োনবদা অদোমগী ইষ্টাব্লিসমেন্টগী কেস রিসিপ্টশিং/ইনভোইসশিং/কেস মেমো/বিলশিংদা দিজিট ১৪ গী এফ এস এস এ আই লাইসেন্স / রেজিষ্ট্রেসন নম্বর তঙাই ফদনা উৎননবা ফুদ বিজিনেস ওপরেটর পুন্নমক্তা খঙহঞ্জরি। এফ এস এস এ আইনা ০১-০১-২০২২ দগী মসিবু শোয়দনা কমপ্লাই তৌহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লবসু ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিং মরু ওইনা হোটেলশিং/রেষ্টুরেন্টশিংনা হৌজিক ফাওবা ইন্দ্রি। মরম অদুনা কেস রিসিপ্টশিং/ইনভোইসশিং/কেস মেমো/বিলশিংদা তঙাই ফদনা দিজিট ১৪ গী এফ এস এস এ আই লাইসেন্স/রেজিষ্ট্রেসন নম্বর উৎফম থোকপসি খুদক্তা ইন্ননবা অমসুং মসিবু ইন্দ্রবদি চান্নবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়বসি খঙহঞ্জরি। মীয়াম্নসু ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিংগী কেস রিসিপ্টশিং/ইনভোইসশিং/কেস মেমো/বিলশিংনচিংবদা দিজিট ১৪ গী এফ এস এস এ আই লাইসেন্স/রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওব্রা হায়বদু চেক তৌনবা খঙহঞ্জরি।

রিজনেল দিরেক্তর, এফ এস এস এ আই
ইষ্টর্ন রিজন, কোলকত্তা

CBC 17192/12/0002/2223